## ৱারী মচা

# মন্ত্রিদু লাক্লমদ্রবদি

*–মায়া নেপ্রা–*

হিংনবী লানফমদা, লন্থেংনদুনতা লাক্লবনা, নিংবা থুংদবগী মৈচাক, লাইরবগী চৈনা, অঙম্বশিংগী অচান–মীরায় খুদিং করিসু লৈতনা খঞ্জরবী লৈমনী। মাগী ৱাখল হায়ববু মপাঙ্গলনা ঙম্লীবমখৈ শু–নোম্বা, শোল্লবা মপুরোইবগীদমক, মচাশিংগীদমক, হায়বসিতনি।

অমুম্বা খামেন অশিন্বা ময়াম খন্দোক–খঞ্জিন তৌদুনা থুমোক্তা হাপচিল্লী। অদুবু মখূৎনা লেপতবগুম মচিনসু লেপতে। পিক্লিবা, মপুং–মরৈ ফাদ্রিবা মচানুপী নুপা লোয়নমক পূথোক্তুনা ঙাংই।

– ''চন্দ্রকংনান্দু মঙাইরে ..., মহারানীদু মঙাইরে ..., শুনিংদবনা মখোয় মচাশীংসে মপা হেক লৌই। মমা ঐবু শুমদুনা চাবা হায়দু হেক থোকই।''

ঙাংব মখৈ ঙাংলম্লগা থুমোক লিখায়রুক অচৌবদু সোরো–সোরো চিংদুনা দারি মপান্দা থম্লগা অমুক লাওরকই – ''নখোয়বু কনানো অমত্তদি থোনগৎলু লাওদনা ... ঙসি য়েংউকো শাওনিংলক্তুনা কৈথেল হেক কাদ্রদি চরা হেন্বা শোয়রোইকো ...।''

চরা হেন্বা কীবনরা নৎত্রগা মমাগী মতেং পাংনিংবনরা, স্কুল হল্লকপগী মফি হোংদ্রিবা চহি ১৫ ফাদ্রিবা মচানুপা অহন ইমুংদগী থোক্লক্তুনা মমাগী মতেং পাংলৈ। মচানুপী য়াইমসু মবুংগী মতুং ইন্নরক্তুনা দারি মপান্দা লেপলৈ।

মচানুপানা থোঙ্গৎপিরবা থুমোক্তু কোকথোংনরগা, মমাই লৈথোক্তুনা, হায়ফেৎ মমাই লূকথরপ মমীৎ উইশিন্দুনা লাই খুরুমজরগা তপ্না মখোঙ থাংদোক্লত্তুনা তুলসিবুং ময়া চংদুনা মখূৎ নামনা মনা অম–অনী থত্তুনা মনাদা থেৎচিঁজে।

– ''লৈমা ... এন্সাং অহাওবা অমত্তদি লৈরকউনা ঙসিদি।'' ঙসাই মখৈ ৱা–লান ঙাংদনা মাঙ্গোলগী ফমেন্দা ফম থাদুনা হিপ্লম্বা মপূরোইবনা শোম্থাংনরপ হায়রকখিবা লৈমনা তাই।

–'' হোয় হোয়, অদো নুমিৎসু লৈথরক্লে ঙহাক হৌগৎতুনা শুমাংদা ঙাহৌ ঙাহৌ চৎপিয়ো, শুম হিপচিন্দুনতা লৈরবদি চানিং–থক্লিংবা পোক্লরোইয়ে।'' মমাইদি ওনশিল্লক্তুনা লৈমনা খূম্মী।

–''ইমা ঐগী অঙ্কগী বোই লোয়খ্রে হায়দো ...।'' ক্লাস সিক্স তম্লবী মচানুপীনা হায়রকপালৈমনা তাই।

– ''হোয়নে হোয়নে অদো ইবুঙেঙা মচা হৌরক্লগা চরা ৱালহন্দুনা থেম্বিয়ু কপহনগনু, লাই থাউমৈ কৎপা কাওনি, অদুগনে ইবুঙোচৌবা নহাক্লা নপনহোইদগী শিংজং ৱাইরগা শিং চরা খাইরম্মুকো।'' থোঙ্গাল থোক্ল–থোক্লা লৈমনা মচা অনীদা মথৌ–মথৌ শিন্নরম্মী।

চহিদি নিম্ফুবু শুরমখীরোই। মপুরোইবনা মপান ফরিঙৈদদি লৈকায়দা লৈশাবী মচা মান্দুনতা লৈবী লৈমা হায়রগা খঙনরল্লিবনি। অদুবু নোংদম্বা মাগী খুজিন্দা খুরৌ থাংদুনা খুদি থিজিনবদগী মপাঙ্গলনা শুজ–নোমজরগা পুন্সিগী আশা কয়া য়াওদনা লেপচরকখিবী লৈমগী শক–চুসু খংওন–ওনখী।

কয়াদি নুঙাইজরম্মী মতমদো, মচা নুপানা অহল নুপীনা য়াইমা, অদুগা অতোনবনা অমুক নুপা, মমা শক্লবী মনেমগী লূ–চানবা মীৎয়েং মখাদা, য়েংলু য়েংলুবদা অৱাৎপবু লৈখিদবনি। অদুবু নোংমদি ..., মচা নুপা অতোনবগী চউমগনি লাংলিবা মতমনি। শকখঙদবা খরা চংলক্তুনা পৈশা পিয়ু হায়রৈ, নিঙাই শঙদানবদা মীনুংশি মচেৎ অমা উৎপিরমদনা মপূরোইবদা নোংমৈনা কাপশিনবিরমই। ফৈরুদা মরু অহুম পাল্লি। থৌদোক্তুদা মীহুল চেনখৎখ্রবী মনেমদি অমুক হৌগৎলকখীদ্রে। অৱাবা মরক্তুদা অপিকপা অশাগী মঙাল অমত্তং লৈমদা ফাওখী, মপুরোইবদি হিংহৌরে। অদুবু মপুরোইবগী শু–নোম্বগী পাঙ্গলদি অদুম্মক হল্লকখিদ্রে।

ঙসিদি, হিংনবগী লাম্ফমদা লৈমা কৈথেল থোকপী ললোনবিনী। মপুরোইবা অমদি মচাশিংগী থৱাইনী। হৌখ্রবদা ৱারুবা শংদে, হৌজিক্কি ফিভমদা নুংনাঙলুবা ঙমদে। মীমান্নদ্রবা মপুরোইবগী সেবা মপুং ফানবা, মনিং থুংজদ্রবা মচাশীংবু নোংমদি শোয়দনা মীরক তিলহনবা, হায়বনা লৈমগী অচেৎপা লাইনিং ওইদুনা, লৈকাই মীনোক কয়া খাং, মচাশিংগী মফমদা থমজবা অচৌবা আশা কয়াদা পুন্সিগী মহাউ য়াওহন্দুনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লদুনা হিংনবগী লানফমদা লান্থেংনরী। কনাবুসু কীরুদ্রে।

ঙসিদি, লৈমা মাইথোঙ মকা হাইফেৎ লাম্মী। ভরা অমুক তিংলুবগী কান্নদে, রিক্সা তোংলক্তে। চৎনা চৎনা শিৎলুবা য়াবা পোৎকি মমল, ফংলক্কদৌবা শেন্দোংগী পৈশা, মচানুপীগী লৈবিগদৌবা বোইগী মমল, মপুরোইবনা হায়দোক্তনা হায়রকপা এন্সাং অহাউবগী পৈশা, অতৈ–অতৈ য়ুমগী চেং–চাক ..., মখূৎ নামগী খূৎশা থেক্তুনা থি। কোন্নগদৌরবোই নিংজদুনা মথন্তা নোকফেৎ তৌজে। মরক্তুদা কদায়দৈনো –''খঙদ্রে লৈমা ঐখোয়বু অশুন্না পূন্সি চুপ্না অশুম লেম্বা তারমল্লে।'' হায়খিবা মপুরোইবগী শোন্থরবা থম্মোয়না হায়খিবা নিংশিংলকই। মশানা মপুরোইবদা খুমজখিবসু নিংশিংলকই– ''মীওইববু ৱাদুনতা অসুম লৈগদ্রা'' অদুবু ৱাহৈশিংসিনা মপুরোইবগী থমোয়বু পেলহনবা ঙমখীবরা হায়বদুদি ঙসিতা নৌহৌনা খঞ্জরকই। খঙহৌদে হিসাব পারম্বা মখূৎনা ফিজি হায়গৎতুনা মমীৎ অনী তৈথোকচৈ। মপুক্লিংদা লেপচৈ, ঙসিদি ঙা মচা অমতদি মরৈরগে, কুইরে চাদবসু।

খঙহৌদনা, নোংচুপ পাংবা শগোলবন্দলোমদগী হোরোন শাংন–হৌনা খোংদুনা গাড়ী ময়াম থৌরকই। মীয়াম লোয়নমক মতাই–মতাইদা তহা–তহা হন্দোকনৈ। হনুবী অমনা তপ্লপ্না শোনখী– ''চাওরে মখোয় মঙাইরে চাওরিবা, খোঙনা চৎচবা ঐখোয়গীদী চৎফ মলৈত্রে।'' লৈমদী মদু তারুবা শংদে, মাগী মফম য়ৌহৌরগা লোয়রে খন্দুনা চৎখৎপা লেপতে। অদুগদি ওন্থোকপনি, লৈমগী ওইরোমদগী সাইকল অমা ফৎ হাইগৎলক্লগা দং থেংলকই। কোকথক্কী থুমোক সরক ময়াইরোমদা বোম হাইথখি।

তু খ্যাও চুংই, লৈমা! তৌফম –হায়ফম খঙদে। ''হাইমা করিনো কমদৌনি'' খংবোই করিবোই হায়রম্লগা ইপা পাখৎনা ফৎ ফমথদুনা, সরকতা হৈদোক্লবা খামেন অমা – অনী তাপ তাপ খুনগৎচৈ। সাইকল থৌবদুদি হন্না হাইফেত্তং য়েংলম্লগা থৌ–ৱা শাদনা অদুম থৌখি। মরক্তুদা পুলিস অমনা লৈমগী মনাক্তা চেনশিনলক্তুনা লিচৈনা থুমোক্তা পোপ–পোপ ফুরকই। লৈমানা হংগৎনা য়েংলুবদা শুকতোক–শংদোক্তুনা – ''কৈনো তৌরিদুবু ঙাওরব্রো? হোরোল খোংলিসি ননাদু তাদ্রা? গাড়ীনা তকতুনা শিরগেরা হা? হৌগৎলুনে, কৈনো মসিগী নুপীসিবু ঙাওরব্রা? মন্ত্রিনিনে লাক্লিবসে, য়ৌরক্লে হন্দোকউ মতাইদা মতাইদা'' হায়দুনা পুলিসতুনা লাওরকই। হায়বগা তৌবগা গাড়ী পরেং থৌখি, মন্ত্রিগীসু য়াওখি, পুলিসতুনা ফিভম শেমদুনা সলাম কোৎহৌই। অদুবু লৈমগী হৈদোকখ্রবা খামেনশিংনা পোক–পোক লম্বী মথক্তা পোকখায়জদুনা লৈমগী অৱাবদা শরুক য়াহৌবদুদি কনানসু নাচুংবিরমদে। শিনফম্না কনশিনখ্রবা পুলিসতুগী থমোয়নসু লৈমাগী মীৎয়েংগী অর্থ খঙখিদে। লৈমদী, পুমঙাং ঙাংনা চাইরম্বা খামেন অসিম্বগী মথক্তা মীনুংশি খঙদনা থৌনখ্রিবা গাড়ীশিংগী মতুংদা তুম্মিন্না য়েংদুনা লৈহৌই।

লৈমগী মনাকোংদা, কৈথেলগী লাংলবা মরক্তা, শিংজা য়ৈনা তারকই– ''ইমা ঐগী অঙ্কবোই ..., লৈমা এন্সাং অহাওবা অমদি চাসি।''

## ৱারী পীক্লু

### মঙফাউনখিদ্রবা মঙলান অমা

*–রাজেন খুমুকচম–*

*''চান্নথোইরবী নঙ ঐবু নুংশিবরা ?''*
*''করিনো ৱাহংদুবু নঙবু ঙাউরবরা?''*
*''ঐবু ঙাউবা মানবরা?''*

*খুমদে খুদক্তা হায়ফম তৌফম খঙদে, অদুবু মপুরোইবগী মনীং মমাঙ থৎপা ৱাফমদুদা মঙলাক হক্লাক্লদবদি নৎখিদে। মতম কুইনা পখঙ লৈশা ওইদুনা খঙনরক্লবা মতুংদা লাইবকশা তিন্নরমদুনা নুংশি পন্থুং য়ৌরকখিবনি। নুপী ময়ুমগী মমা–মপাদি লাইরদনা মরী–মতাশিং ফাউবনসু মহৈ তম্বা লোইবসু নৎতে, পূন্সি হিংনবা মশাগী মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা শেন্থোক অমসু লৈত্রিবনি হায়দুনা মখোয়গী য়ুম্বাল লম্বীদুদা কনানসু পূক্লীং থৌগৎপীখিদে।*

*মতম খরা ইঙাউ ঙাউনা লৈরবা মতুংদা হেরোজিৎ লাইবক ফৎতে হায়বদি শুয়া য়াররোই। মহাক্লা য়াওখিবা এস আই গী ইন্ট্রভিয়ুদু ফোল হায়দোরক্লে। উচিন নাচিন্না মহাক এস আই ওইবা ফংলগনি। অদুনা হায়রকখিবনি –*
*''চান্নথোইরবী নঙ ঐবু নুংশিবরা ?''*

## শৈরেং

### মৈচাক

*– এল সুধির*

হুরান–লোনচৎ হৈনবী অহিবু
অচুম্বা পামজবা অয়কুনা
মখোঙ–মখূৎ পাইদুনা
ঙবোং খাওদা নমশিনখ্রবদা
পৃথিবীগী পীরাংনা
নিক–নিক লাওরম্মী লৈমাইশে।
ফিরুক খুমজিন্দুনা লোৎলম্বা
লৈরাংশীংনা লাংনরকই
চোৎলবা লৈচিলগী শম্বুল
থাদোক্লদুনা লৈমাইদা।।
অহিংগী আত্যচার খাংলম্বা
শোল্লবা থৱান মীচাকশিং
ঙবোং খাও পুনখ্রে খঙলবদা
থোংনাও থিংজিন্দুনা য়াতানখ্রে''
অমম্বগী খোঙবুরোইশীং
মকু–শেকপী লমাহুইশীংনা
তাৎকী মাইখুম উপলদুনা
লম্বোইবা অমুক শানখরে।
অদুগা ইকাই খাংদগী নোকশিন্নরী
অঙানববু মখূৎ খল্লদুনা
ইজৎ মাংহনবীখ্রবা উপাল–ৱাপাল,
অদুবু মশাবী কাইনা মৈশাদা
খাংঙমদ্রবী শিঙ্গরৈদি
হিংলুবগী কান্নদে খল্লমাল্লে
লৈমাইদা ওন–থোয়বা হৌরক্লে।।

### ঙক্রা

*– মহম্মদ ইস্লাউদ্দিন শৈখ*

কল্লী নূংদগীসু হেন্না
অমুকসু থোৎলি লৈনাদগীসু হেন্না
শাথীবদসু নোংশা অমোম পাঞ্খক্লি
মীনুংশি চাউবদনা মমা হায়না মিংগৌনৈ
ঙক্তবা ঙমদে নঙগী শকউদবা থমোয়!

### চেনাসিদা পুন্সিগী

*– কে হেমন্ত*

পুন্সিগী চেনাসু, ঙৌরম্বা,
শংখ্রে নিংবা কায়বৈ মচুনা,
পাক্ল চেবাংসু ইতিহাসকি
থনখ্রে লাইয়েকশিংনা য়েংহৈদ্রবা।
ওমচাক্লরক্লবা ৱাখলগী মৈরিদা
মচেৎ তানা কাহৎলবা
চন্নফম লৈত্রবা চেনাসিদা
করি অমুক ইরুখিগনি ঐনা?
অদুবু, লাওরক্লি মুক কংলবা কলমনদি,
ইরমখো সনা লৈবাক্কী ৱারী,
নিংশিংহল্লদুনা ঐঙোন্দা নৌহৌনা
লোইবী চীংগী নামিবা,
নোমহৌ জগোয় ফৌনাগি,
ঈপোম তাংথক লোক্তাক্কী।।
লাওরক্লি কংশিনদ্রিবা ঈখেঙশিংনা,
খোম্থাং য়ৈনা চীং–তম অনীদা
মুক ওইনৌ, ইরমখো অমুক্তা মমল
য়াওহনবিদ্রবা মখোয়গী অৱাবা।
শিরবা হকচাং কয়ানসু লাওরক্লি,
মউল খোক্তুনা চেবাং ওইনৌ,
ইরমদবা য়াদে শান্তিগী মহাও কয়াদো
খঙজনবা, শান্তিবু মীরাইরিবশীংদুদা।
ও! পূন্সিগী চেনাদো পাম্মইদা,
হে! নিংবা কায়বা, নহাক লৈরমদ্রবা,
ঈখূৎ পেন্না ইরমগদবনি
খঙনবিদ্রবা পেন্দবগী ৱারী কয়াসে।।

### লৈঙাকপা

*– রোবিচন্দ্র কেপ্টেনবা*

জপ জপ শায়
শৎ শৎ লানশিল্লি
অর্থ লৈনা নোকই
মী উদে লমজাওদা।।

### তাও খোঙ্গেঙলসে

*– জুগিন্দ্রো মুতুৱা*

মীৎকপ থোক্লো, হৌরো নহারোল,
পুন্সিগী লৌবুক্তা ৱাখল ঈশিং চায়দুনা,
চান্না মরু হুল্লসি শান্তি পান্বী থারসি।
করিগীদী কীরুনি ঐখোয়না,
হাংল অতিয়া মকোইদা,
উদবরা? নিংতম পাওজেল পুরিবসে
শকফম কয়াগী লৈচিল মপৈশিংনা।।
য়েংহৌদ্রবরা? হিংমিন্নবগী নিংথিবা,
উৎখিবদো হরাও তয়ান্না থৱান মিচাকশিংনা,
ঈরোইমিন্নরিঙৈ পাক্ল অতিয়া ঈপাক্তা
পোৎ থাদ্রিভৈ কোরৌ মাগী নাওশুমদা।।
অপুম্বনা পাঙ্গলনি, চান্নবনা শান্তিনী,
খূৎশন্নরসি ঐখোয় পূম্বা
শেন্নবা ঈং–তপ্লবা ঐখোয়গী পৃথিবী,
মীৎকপ থোক্লো হৌরো নহারোল।।

### ঐ কৈ ওইনীংলে

*– আর কে সুনিল সুই*

ঐগা কনানো খরগা
মদু মঙাইরে ইকোক খঙবিরিবসি
মথক মখা ওল্লবা ঈমুংসিদা।
করিবু কান্নগনি
চাওখৎলোল নৈনরুবগী
লাইনীং লাইশোল চৎলুবগী
নোক্লখিনি উজাউশিংনা
অপংবনি খনদুনা,
লোইশিনবিখিবসু য়াই
খূৎপাক্তা কাঙ অমগুম
কনানা করি য়েংনদ্রবা মফমসিদা,
অদুনা, হিংনবগীদমক
ঐ কৈ ওইনীংলক্লে।।

## তাবুনুংদগী

*(কবি লাইশ্রেম সমরেন্দ্রগী ১৯৭৪ দা ফোঙখিবা ''মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে'' হায়বা শৈরেং লাইরিক অদুদা য়াওবা ''ঐখোয়'' কৌবা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### ঐখোয়

য়ূম অমত্তদা লৈমিন্নে
মফম অমত্তদা মতম অমত্তদা
য়ুগ মরিগী মী – ঐখোয় মরী
ৱাখল মান্নদে পূক্লিঙ তিন্নদে
লম্বী তিন্নদে মায়গৈ মান্নদে
য়ূম অমত্তদা মী মরী–ঐখোয় মরী।
চা থকমিন্নে ঐখোয় মঙা মরূপ মঙা
টেবল অমত্তদা
হোটেল অমত্তদা
পূং অমত্তদা
ৱা ঙাঙনৈ শেংনা ফাওনদে
অরুবা য়েৎনৈ স্বর তিন্নদে
অফবা হায়নৈ অর্থ খঙনদে
ঐখোয় মঙা মরূপ মঙা
ঐনা হায়বা মানা হায়বা
নঙনা হায়বা খঙনদে ফাওনদে
চৎমিন্নে কোয়মিন্নে চা থকমিন্নে
মরূপ মঙা ঐখোয় মঙা।

*লাইশ্রম সমরেন্দ্র*

## মণিপুরী পান্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**২১. ইকা ঙাগুম হেলাংথাং লাংবন ঙাগুম থকচানা**
–অপাম নুংশি উরগা হায়ফম খঙদনা ইথক–থক্কৎপা।

**২২. ইকাই থিবনা মীরক–মীচম্থি ওই।**
– ইকাই থিমল্লবসু মী ওইবা ঙমদে।

**২৩. ইকাইববু মতোইনা খঙমন্দ্রবা শনলান চোংবগুম হোইদোক্লরকই।**
– ইকাইবা হেন্না খঙমন্দ্রবসু চোপ্পা মশীং য়ামখৎলকই, চৈ ফাওবা য়াওরকপা য়াই।

**২৪. ইকাইববু হুইনাওবী মচামুক চাওরবা। (ইকাইববু হৌদোং মচামুক চাওনা চেনবরা)**
– চোপ্পা–নংবা য়াবদু করিসু লৈতনা খন্দোকপা।

**২৫. ইকাই খঙদবনা পুক থল্লি।**
– অচোপ অরেম ইকাই–ইকি খঙদবনা কান্নবা ফংবা।

**২৬. ইকাই ফিরুক খুম্বা**
– ইকাইবা খাঙবা চোপ্পা নংবা।

**খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## চানক্য নিতি

– শেন না ধর্ম ঙাকই, লেপ্তনা নৈনরগা বিদ্যা ঙাকই। ফজবা ৱাঙাংনা নিংথৌবু ঙাকই অদুগা অফবা নুপীনা য়ুম্বু ঙাকই।

– বেদগী জ্ঞানবু হুল্লিবা, শাস্ত্রগী তুং ইন্দুনা হিংববু নোক্লরিবা, অঙ্গংবা–অতপ্পা মীবু থীনা হায়রিবা মীদো অৱাবা ফংবনি, (মখোয়না তৌরিবদুদগী তোংজবা লৈতবনি)।

– দান তৌবনা লাইরবা কোক্লে, লমচৎ ফজবনা খুদোং থীবা কোকহল্লি। লৌশিংনা খঙদববু মাঙহল্লি অমসুং থাজবনা অকিববু লাকশিল্লি।

– অপাম্বগা মান্নবা লায়না লৈতে, শুক্ষৎপগা মান্নবা য়েক্লবা লৈতে, অশাউবগা মান্নবা মৈ লৈতে, জ্ঞানগা মান্নবা নুংঙাইবা লৈতে।

–মীনা মতোমতা পোকই মতোমতা শি, মশাগী অফ ফত্ত কর্ম ফল মানা চাজৈ। মশানা নরক তাজৈ, নৎত্রগা মোক্ষ ফংজৈ।

– ব্রহ্ম খঙবা মীনা স্বর্গবু নাপীগুম খল্লি, অথৌবশিংনা পুন্সিবু নাপী গুম খল্লি, ইন্দিয় খুদুম চনবশিংনা নুপীবু অদুগা সংসারদা পান্বীদ্রবা মীনা জগৎপু নাপীগুম খল্লি।

**হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা**

## মণিপুরি পাখোং

৬১. শির শির য়াম্বা–
৬২. লৈনম চেনদবা লৈ–
৬৩. লাইদা কৎনদবা লৈ–
৬৪. অমিন নত্তনা লম ওনবা–
৬৫. ঈশিংদা পোকপা কংফালদা চাকতাবা–

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি**

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (৫–১১–২০১৭) পাউখোঙ ফোঙবা**

৫৬. মী ফাইবোক
৫৭. কোঞ্জেং কোকফাই
৫৮. থারোই
৫৯. পান্নাও–শিংনাও
৬০. শঙ্গোম

## কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

*** উসোপ (ভান্দ্রা) চাবা তোকপদা খূৎ–শা করম্না হামদোক্কনি?**

– মৈতৈগী উসোপ, মপাম চাক্লৌবা, চাকচা–হৈজানবনচিংবগী চাক্লেন্দা থৌবুগী অপাম্বা অমসুং ঙমজবা মওংদা লাঙবা মথেল–লুকোইশিং অদু অহান–অকোন মথং–মনাও নাইনা য়েনখ্রবা মতুং ইকোন–কোনবদা থুম য়েনবা হায়বসি অকক্লনা চৎনরকই। থুম য়েল্লক্লবদি, চাক্লেন অদুগীদমক লাঙবা মথেল–লুকোই খূদিংমক য়েনবা লোইখ্রে, মখা তানা অনৌবা মথেল অমা য়েল্লক্লীংঙাই লৈত্রে হায়বগী ঈঙ্গীৎ ওইনা লৌনবগা লোইননা চারিবা চাক্লেন অদু মপূঙ ফারদুনা লোইশিল্লবনি হায়নসু খঙনৈ। অদুনা থুম য়েনিদ্রঙৈগী মমাঙদা থৌবু অমদি চাকথোংবা বুজারিশিংনা চাক্লেন চারিবশিংগী অৱাৎ–অপা হংবা চৎনৈ। মতাঙ অদুদা, থায়নঙৈ মৈতৈ অহল–লমলশিং অমদি চাকথোংবা বুজারি বামোনশিংনা হংনরল্লিবদি মরূ ওইনা চম্ফুৎ অমসুং উটিগী মথেলনি। অদুনা মৈতৈগী উসোপনচিংবদা চম্ফূৎ অমদি উটিগী মথেল অনী অসিদি তঙাইফদনা খরা হেন্না মরাঙ কায়না লাঙবা চৎনরকই। মথেল অনী অসিদি মমাঙঙৈগী মৈতৈ অহল–লমলশিংনা, অহানবদা হাপ্পল্লিবা শরূক অদুদগী উটিনা ইরোয়–লোইবদা চানবা তঞ্জায় অমা অদুগা চম্ফূৎনা চাব–থকপা তোক্লবা মতুংদা খূৎ হামদোক্লবগীদমক নোইথোক্লবা শরূক খরা খাকহৌনরম্মী। মদুগীদমক অহৌবদা হাপ্লম্বা শরূক্তগী খাকহৌদ্রবসু কোন্না হাপহন্দুনা খাক্লরম্মী।

উসোপনচিংবা চাক্লেনগী অরোয়বদা থুম য়েল্লক্লবদি চাক্লেন অদু মপূঙ ফারে হায়বগী ইঙ্গীৎ পীরকপগা লোয়ননা য়েল্লক্লিবা থুম অদুনা মথেল–লুকোই ময়াম চাশীল্লুবগী চীন তেংবদা শিজীন্নবগীদমক্তনি। (থৌদৌ অসি হৌজিক মতমগী চীন–য়া শেংনবা টুথ পেষ্ট অমদি ব্রুজনচিংবা শিজীন্নদ্রিঙৈ মমাঙঙৈগী মতমদদি য়াম্না ফবা পাম্বৈ অমা শোয়দনা ওইরমগনি)। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি য়েল্লক্লিবা থুম অদু চপ–চানা কান্নবা ফংদ্রগসু খূৎ হামদোক্লবগীদমক ওইনা লৌনবগুম তৌনরে। মতুং–মনাওদি, উসোপকুম্বগী মথেল–লুকোই চাবা তোকপগা খূৎ–শা য়াম্না তরু–তনান্না, মোন–মোন লাউনা শেংনা হামদোকপিগে হায়রবদি মথেল–লুকোইশিংগী মরক্তগা শোয়দনা য়াওরিবা (ওইনীংবা মখল ওইসনু) চম্ফূৎকী শরূক্তগী খজিক্তং খাকপীহৌরগা চাবা তোকপগী খূৎ হামদোক্লমদাইদা পায়শীল্লগা নোইবিয়ু। অদুনা উসোপকুম্বগী চাক্লেন চাবদা চম্ফূৎ খজিক্তংদি অরোয়বগী খূৎ হামদোকপদা শিজীন্নবগীদমক খাকপীহৌবা কাউবিগনু।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকপা)*